# শেৎ শেৎতুনা চানরক্লবদা হিংদবদি য়াদে, ওইরকপা তাবনি কৈথেলগী শেন্দ্রাং

## “কৈথেল শেন্দ্রাং”

সুর মৈতৈ

অঙম অঙম্বনা শেৎতুনা চান্নরক্লবদা মখোয়গী তায়নফম ওইরি ঙসিদি কনা লৈজদ্রবা তোল্ল তারবা মীওইশিং। লাঞ্জদ্রবা মীচম্না অৱাবা চৈথেং কয়া



মায়োক্সুনা অরুম্বা পোৎলুম্তু কোকথক্তা কয়াম কুইনা পুদুনা চৎপা ঙমগনি। হিংদবদি য়াদে মশানা ওইরকপা তাবনি কৈথেল শেন্দ্রাং।

ও বিষ্ণু ফিল্মসনা মমাংদা অশি অৱান থা, ঐগীদি থৱাইনি অমদি লৌদ্রাওবী হায়বা ফিল্ম অহুম মায় পাক্লা পুথোকখ্রবা মতুং জি এস ননাওগী ষ্টোরিদা দিরেক্টর এল প্রকাসনা দিরেক্সন পীদুনা মরিশুবা প্রদক্সন ওইনা পুথোক্লিবা মণিপুর ফিল্ম ‘কৈথেল শেন্দ্রাং’। ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসরনা দোরেন অমদি জয়েন্তনি। দাইলোগ অমদি স্ক্রনপ্লেদা আর কে জিতেন, ইডিটিংদা বলি, সিনেমাতোগ্রাফিদা বোচৌ সাইখোম, ম্যুজিক্তা পোইরৈ। সিঙ্গরদা নাওবোই, বোনি অমদি সুরমানি।

নুংশিনরিঙৈ, তাকু তিকি মখুৎতগী তাকাতিনা লাকপা অমদি কৈথেল শেন্দ্রাং হায়বা ঈশৈ অহুম য়াওবা ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাংলিবা লাংলিবীশিংদি বোনি (লাইবা), নন্দকুমার (তোম্পোক), বালা (থোইবী), গীতা (মেমচা), রতন লাই অমদি চমৈলৈনচিংবা মশক নাইরবা আর্টিষ্ট কয়ানা শরুক য়ারি।

ঐ নুঙাইহৌরগা লোয়রে, ঐ হিংহৌরগা লোয়রে হায়দুনা সমাজ অসিগী চৎনবী কয়াবু মীরাইরকপদ নত্তনা অপোকপা মচা ফাওবা মীরাইরকপা কয়া অমা থোরক্লিবা অসিদা করিসু খঙজদবা পিক্লিবা অঙাং অদুগী তুংগী পুন্সি করি ওইহৌগনি। তাকপী তন্বীনবা লৈরবা ফাওবদা অরানবা লম্বীদা চৎপা মীওই কয়া লৈতবা নত্তে অমগী অফবা অচুম্বা করিনো তাকপীনবা লৈত্রবা থৱায় অমনা হিংনবগী লানফমদা লাম্হৈংনরকপা মতমদা কৈথেল শেন্দ্রাং অমগী পুন্সিগা করিবু খেৎনরিবগে। বজারগী খোং লম্বী কৈথেল শঙনচিংবদা তাশিন্দুনা অহিং নুংথিল নুমিৎ খুদিং য়ারেক্লিবা মীওইশিং অসি থৱায় পানবা মীওই অমনি হায়রগসু মী অমনি হায়না কনানসু থওইবীরক্তবা, মখোয়সু ঐখোয়গুম্না থম্মোয় পাল্লি অমদি নুংশিবা খঙই হায়বসি কনানসু খঙবীরক্তবা, মখোয়সু অতৈগুম্না অফবা অনানবা ফিজোল শেৎতুনা মীয়াম মরক্তা পুন্দুনা হিংবা পান্নগ্নোইদ্রা হায়বা মখোয়গী ৱাখল্লোন অদুদি কনানসু উবীরুবা লৈতে।

অমরোমদা লাইরবা ইনাকখুনবা হায়বসিদি লাইবক্তা তন্বীরম্বনি অদুবু মীওইবা মশেলনি হায়বসি খঙনা মীওইবা অমনা মীওইবা অমবু ইকাই খুম্নবা হিংমিন্নরবতদা মীওইবা হায়বগী ৱাহম্হোক লৈগনি হায়না নুংদা হুমদুনা পুরিবা ফিল্ম অসিনা ঙসিগী সমাজ অসিদা হিংমিন্নরিবা মীওইবা ঐখোয়দা পাউজেল কয়া পীবা ঙম্নবা হোৎনরিবা ফিল্ম অমনি।

ফিল্ম অসিগী শমলপ্পা ৱারীদি লাইবা হায়রিবা মীশক অসি মমা মপা লৈরবসু লৈতবগা চপ মান্নরবা পুন্সি অমা ওইবনা মবোক্কী নাক্তা মতম খর লৈরম্বদগী মবোক অদুনসু থাকপা ঙমদ্রে হায়দুনা য়ুমদগী তাম্হোরকখি। পীক্লিবা লাইবনা সমাজ অসিদা মীওইবগী মীনুংশি হায়বা অসি লৈত্রে খন্না শিজরুরগে খন্না খোং থাংদোরকপা মতমদা থোইবী কৌবী নুপীমচা অমগা থেংনখি। পুকচেল চাউবী থোইবীগী চন্নবা ৱাহৈ খরনা লাইবগী পুন্সিদদি হংনবগী থৌনা অমা ওইহনখি। নুমিৎ অদুদা থোইবীগী মঙকশমদগী তাহৌবা লিক অমা লাইবনা খুন্দুনা য়াম্না চেকশিন্না থমজিঞ্জখি। পুন্সি লম্বী কদোমদনো খঙদনা থাংলকপা লাইবগী খোংথাংনা বজারদা পুরক্তুনা থেংলবা অহিং অদুদা কৈথেলগী চিদাই অমদা তাশিন্দুনা নিঙমদনা লৈরিঙৈ হন্না য়েংবদা মহাক্কীনি হায়বা কনা লৈজদ্রবা অহল অমনা লাইবগী মতৌ অদুদা নুশিদুনা লাইববু অহল অদুনা মহাক্কা পুন্না লৈমিন্নরুসি হায়না পুখি। লাইবনা পাখঙ ফারক্লবা মতমদা হিংদবদি য়াদবনিনা অঙম অঙম্বনা শেৎতুনা চান্নরবা মতম অসিদা ঐখোয়দি লাঞ্জদবনি হায়না চম্না হিংবা য়ারক্তবা ফিভম ওইরবকপনা লাইবা মীমাংদা ওটো থৌদুনা শেল তাল্লি। অদুগা মহাক্কুম্বা বজারগী শেন্দ্রাং হায়বদি কনা লৈজদ্রবা ৱাখল্লোন মান্নবা মহাক কুম্বা মমান্নবা খরদা শেল থাদদুনা হোলদা কলাবজার তৌহল্লগা পুন্না হিংমিন্নখি। মখোয়গী কাংবু অদুগী মাষ্টর মাইন ওইরিবা লাইবদি লাইরবদগী শেৎ শেৎতুনা চারিবা অঙম্বশিংদা ওনশিন্দুনা মখোয়দগী অমুক শেৎতুনা চাগে হায়বা মীশকনি।





নাকল অমরোমদা মমা মপা লৈত্রবা থোইবী মখুরাগা পুন্না নুঙাইনা লৈমিন্নে। থোইবীগী মবুং মপান লমদা মহৈ তন্নি। নোংমদি থোইবীগী মখুরা লম্বীদা চৎলিঙৈ গাড়িনা থোমজিনবদগী লাইবনা থেংনহৌদুনা অশোকপা অদু হোস্পিতালদা পুখৎতুনা থৱায় কনবিখি। থৌদোক অদুদগী থোইবী অমদি লাইবা থেংনদুনা মতম শাংনা লাইবনা চেকশিন্না থন্নকপা থোইবীগী লীক অদু পীদুনা মখোয় কনানা কনানো হায়বা খঙনখি। লাইবগী থম্মোয়শেংবা অমদি মখুরাগী পুন্সিবু কনবীখিবা কয়া অদুনা লাইববু মখোয়দা লৈহনখি। লাইবা অমদি থোইবী নুংশিবগী ইপাক্তা তপ্না তপ্না তাওবা হৌরকখি।

থোইবীগী মখুরানা হোটেল ফম্বী মচা লৈরবী নুপী অমবু য়ুমগী মৌ ওইনা পুশিল্লকখি। হায়রিবা লৌনম হৈবী নুপী অদুবুদি থোইবীনা পামখিদে। ফম্বা চল্লবনিনা হিপচিল্লগে হোৎনরিবা মমা মচা অনীগী থৌশিলদা লাইববু মরাল পীশিল্লদুনা লাইববু য়ুমদগী তাম্হোক্লবা মতুং থোইবী অমদি মবুংগী মরল পুম্বা মীকারক্তুনা থোইবীগী মবুংবু খুনেক থাদোক্তুনা ফাহনখি। লাইবনা থোইবীগী মবুংবু কল্লম্রবা মতুং মহাক্কী লম্বী তোঙাল্লগে খন্না চৎখি। থৌশিল পুম্বা কনাগী থৌরাংনো খঙলবা মতুং ময়াম চংদুনা লাইবগী খোঙ্গুল লিরকপা মতমদা মহৌশা লাইবা অমদি থোইবীনা অঙাং ওইরিঙৈ থেংনখিবা মফম অদুদা লৈরমগনি হায়না থাজবা অমগা লোয়ননা থিরকপদা লাইবা লৈরম্বদগী ময়াম চংদুনা থেমদুনা য়ুমদা নুংশিনা পুখিবনা ফিল্ম অসিগী অরোইবা তাঞ্জা ওইরি। কনা লৈজদ্রবা লাইরবগীদি লাই লৈ হায়বদুনি। মীওইবগী থম্মোয়দি শেলনা লৈবা য়াদে, পাঙ্গলনা মুনবসু ঙম্লোই, নুংশিবা হায়বা অদুখক্তনা জয় তৌবা ঙমগনি হায়নসু ফিল্ম অসিনা হায়রি।

### কংলাসা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসননা কছারনচিংবা মফম কয়াদা ছো উৎলুগনি

মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা পাম্নরীবা লীলাগী আর্টিষ্ট কম দিরেক্টর কৈরাও রাজেনগী লমজিং মখাদা “কংলাসা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন” না আসামগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা ঈশৈ–লীলাগী প্রোগ্রাম কয়া উৎলুনবা তাং ১৭–১১–২০১৪ ইং দগী ইম্ফাল থাদোকখ্রগনি। এসোসিয়েসন অসিনা অসামগী কছার, হোজায়নচিংবা মণিপুরী তাবা মফম কয়াদা লীলা কয়া উৎলুগনি। মরুওইনা উৎলুগদবা লীলাশিংদি– “তোর্ব্বান অনী”, “থাঞ্জ ৭” অমদি “অইংবী–তইংবী” নচিংবনি। এসোসিয়েসন অসিনা য়ামদ্রবদা থা অমমুক্তি অসামগী মণিপুরী তাবা মফমশিংদা ছো মথং মথং উৎলুগনি হায়না এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি সঙ্করনা পীরকপা পাউ অমনা খংহল্লক্লি। লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী লীলাশিং অসিগী বার্তনসু নবেম্বর ৫ দগী লৌবা হৌখ্রে হায়রি।
























Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*